# ‘মীতৈশিং খম থেংনা ৱারি’

ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি
উশম ধরমেন্দ্র



মীতৈ ঐখোয়গী পুৱারীগী খোঙৎসে খল্লুবদা য়াম্না পূক্নিং নুংশিনীংঙাইনি। পীক্লবা চীং লৈবাক্কী মণিপুর অসিগী নীংতম্বা অমসুং অপূনবগী শক্তম ঙাকপদা মীতৈশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদি শীংনবগী শীংনবা ঙাক্তনি। পুৱারীগী লমায় ফাক্কৎলুবদা ঐখোয়না উরি চহী তরেৎ খুন্তাকপা কুমজা ১৮১৯-১৮২৫ এ দি। করিদগী থোকখিবনো চহী তরেৎ খুন্তাকপা পূম্নমক্না কাউদনা লৈরি। মগুণদি য়াওদনা নিংথৌ ওইনীংবা মীতৈ নিংথৌ মচাশিংনা অৱা লৈবাক্কী মতেং লৌরুবা। হায়খিবা-য়ানখিবা ৱাফম ঙাক্তবদগী নিংথেমচা মারজিৎপু পাড়া তম্বীগে হায়দুনা অৱা নিংথৌ বাজিদাওনা মহাক্কী লান্মীগী লুচিংপুরেল মহাবন্দুলা থারক্তুনা মীতৈ লৈবাক কাং খোং চাইহনখিবা। চহী তরেৎ খুন্তাকপা মতমদা মালেমদগী মীতৈ হায়বা ফূরুপসি খোঙ্গুল মূখৎলগে মতাগুম হাৎপা য়াবা হাৎখ্রবনি। য়ূমলোন্নবা লৈবাকশিংদা মথ্বায় হিংনবা চেন্নখিবা মীতৈশিংগী চাদা নাউদাশিং বাংলাদেশ, ত্রিপুরা, অসামনচিংবদা খুন্দাদুনা লৈরি। অমুকসু মখোয়দা মতেং ওইরকপা য়াই কান্নগনি খনবা মীতৈ কয়াবুনা মতমদুগী ব্রম্মদেশ ঙসিগীনা ম্যান্মারদা খুন্দাহনখি। মালেমগী মফম কয়াদা চোইজাইননা খুন্দাখ্রবা মীতৈশিং মশাগী লোল চৎনবী ধর্ম্ম য়াম্না ৱানা ঙাক্তুনা ঙসিসু হিংলি। খল্লুবদা পূক্নিং নুংশিনীংঙাইনি।

লৈবাক্কী লুচিংবা লৈবাক ঙাকপশিংনা মথৌনা মরিংজেল ৱাৎলগা মীচম মীয়াম খম থেংনা ৱাই। মদুনি ঐখোয়না চহী তরেৎ খুন্তাকপদা উরিবা ৱাবদুনা ৱাফম অমা ওইনা থমখ্রগা মীতৈ ঐখোয়গী পূন্সিগী খোঙচৎশিং পূম্নমক কাং খোং চাইহনখিবনি। মসিদগী হেন্না তমথীবসিবু করিগা চাংদম্নগদৌরিবনো। চহীসিগী মার্চ ২৮দা ম্যান্মারদা হাখিবা অকনবা য়ুহা হাবদুদা মন্দলেদা লৈবী মীতৈ নুপী অমনা মীতৈলোল শেংফাত্তনা তেংবাঙবীনবা মীদিয়াগী থোঙদা হায়জরকখিবদু থেংনরুবদা হৌখ্রবা পুৱারীগী লমায় হঙ্গৎনা হাংদোক্লুই। মীতৈশিং পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা অৱাবা কয়া থেংনদুনা লাক্লি। মচিন মনাওশিং, নিংথৌ ওইনীংবা নিংথেমচাশিংনা নিংথৌ খুভম মুন্নরগা চরাংনবা তংদু লৈতাদবদুগী খুদোংচাবা বৃটিশশিংনা লৌনবা হোৎনবদগী থোকখিবনি এঙলো-মণিপুরী ৱার ১৮৯১। মীচম মীয়াম খা-রাই খঙদনা মথ্বায় হিংনবমক চেনখিদ্রবসু বৃটিশশিংনা মণিপুর খুদুম চল্লম্বগী তুং কোইবা ফলনি ঐখোয়না ঙসি ফংলিবসি। চীং লৈবাক্কী মণিপুরসিবু চীংগী লম তমগী শরুক কায়না খায়দোকপীদুনা চীংগী এদমিনিষ্ট্রেশননা বৃটিশনা, তম্পাক্কীনা মহারাজনা তৌহন্দুনা দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি চলাইদুনা খাইবুং খাইবুং তাহনখি। মখোয়না হুল্লম্বা অমগা অমগা নুংশিনহন্দনবগী মরূদুনি ঙসি মহয় য়াল্লিবসি। বৃটিশশিংনা তৌরম্বা দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসিগী ফোর্মুলাদু অমুক মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংনা চলাইবা মসিনি উরিবসি।

ঙসিদি ইরমদম মণিপুর মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংগী দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসিগী সাসন মখাদা ফনা ফজনা অৱাবা নংলে। মপান্দগী আইন কায়না হাইজিল্লকখিবা কুকি টেররিষ্টশিংনা হোইদুনা লমদমসিগী কুকি নহাশিংদা থৌজিন্দুনা মীতৈদা লান্দারক্তুনা অৱা অনা, মীশি-মীনা থোকহন্দুনা লৈরিবসি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংসিনা খঙনা খঙনা খঙশিন্নদ্রে। লাকশিনগে হায়রদি লান্দু হেক হৌরকপগী চয়োল অমগী মনুংদা লাকশিনবা য়াবনি অদুবু তৌখিদে। মে ৩ নুমিৎতুদসু এ কে ৪৭ পায়রগা ফোঙনা চৎলিবা শাংলবা চুড়াচান্দপুরদগী তোর্ব্বুং বাংলা তম্না লাক্লিবা টেররিষ্টশিংদুবু লাকশিল্লম্বা য়াবনি অদুবু তৌখিদে। নমদুনা কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা লান্দাদুনা লান থোকহল্লে। প্রসিদেন্টস রুলসিগী মমাঙদা লৈরম্বা লৈঙাক্তুনা লান্দু লাকশিনবা ঙমখিদে। লান্দুগী মৈরি কন্না মৈৱাইরকপা মতমদনি শীংজনবা চৎপা মীতৈশিং তমথীনা হাৎখিবা, তুল্লিঙৈদা চিংথোক্তুনা হাৎখিবা, নহা কয়া নুপীমচা য়াওনা ফাখ্রগা মফম খঙহন্দনা মাঙহনবীখিবা।

ঙসিনা ইরমদমসি কমদৌরি। রোকেট বোম কাপশিল্লক্তুনা মীচম হাৎপা, দ্রোন বোম্মিং তৌদুনা মীপাই থবাইহনবা, মীশি মীনা থোকহনবা, নোংমৈ পংকাপ্তা কাপথরক্তুনা চীংখোঙ চীংয়াদা লৈবা মীতৈশিং তূম্ফম চাফম খঙহন্দবা মদুমক্তি লেপখ্রে। মীতৈশিংনা মশাগী লৌরি য়ূম্ফমদা হঞ্জিনবদা তংদু লৈতাদ্রি। মশাগী লৌফমদা লৌ শুবা চৎপদা মনীং তমদবা মফম কয়া লৈরি। লানসিগী ৱারোইশিন অমা নাখৈ শেংনা লৈতবনা মহৌশাগী পূন্সি মহিংদা লাকপা ঙমদ্রি। পূম্নমকসিগী মথক্তা মোরে অমদি চুড়াচান্দপুরগী মফমশিংদা হান্না লৈরম্বা মীতৈশিংনা মশাগী মফমদুদা হঞ্জিন্দুনা মহৌশাগুম খুন্দা লৈতাবা হায়বদুদি তম্বা ঙমদবা ফীভমদা লৈরি। পূম্নমকসি করিগীনো। য়ুনিয়ন লৈঙাক্না মণিপুরগী ঈরাংসি নাখৈ শেংনবু লোইশিল্লগে হায়না থবক তৌরদবু ঙমদবা লৈবা হৌনদে। পাকশন্না মীতৈশিং তাম্থোকপীরক্লবা মোরে অমসুং চুড়াচান্দপুরদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না পাকশন্না পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং থমদুনা ঈরাং থোকহল্লিবা কুকি টেররিষ্টশিং লাকশিল্লবদবু করিগী টেররিষ্ট মখোয় খরনা ঈরাং থোকহনবা ঙমগদৌরিবনো।

থোক্লিবা মণিপুরগী লানসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন লৈঙাক মবুক ইশেং শেংদে। মীতৈগী নুপী অঙাংদা তমথীনা ওৎ নৈদুনা জিনোসাইদ কেম্পেন চত্থরিবা কুকি টেররিষ্টশিংগী থৌওং অসিবু নাকোইননা শৌগৎতুনা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মণিপুরগী ঈরাংসি টেররিজম নত্তে হায়বা ঙম্মী। মপান্দগী হাইজিল্লকপা কুকি টেররিষ্টশিংনা য়েলহৌমী মীতৈশিংদা লান্দারক্লবা ইন্দিয়াগী সিক্যুরিটিদা শীংনরক্লবা অসিবু হোম মিনিষ্টরনা এন্টি নেশনল নত্তে হায়বসু ঙম্মী, অঙকপনি। অমুকসু লৈরিবা প্রসিদেন্টস রুলসি বি জে পিনা লুচিংবা য়ুনিয়ন লৈঙাকসিগী অনৌবা শক্লোন অমনি। য়ুনিয়ন লৈঙাক্না মণিপুরবু চরক চহিং নাইবা ফীভম অমদা থল্লি। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ফোরেন লৈবাক কয়াদা চৎলি। মণিপুরগী ঈরাংগী মরমদা খনবা, মিনট খরা কায়থোকপা মঙোন্দা শংদে, অঙকপনি। মহাকমুক ঙকপা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমুক্তা থেংনখিদ্রি। মণিপুরগী মীয়াম মপূং ওইনা কুকি টেররিষ্টশিংনা অৱা-অনা, মীশি-মীনা নংহল্লবা মীতৈশিং য়েংশিনবীনবা মপী মপা লৈতে। মীয়াম্না খঞ্জখিবা মীয়ামগী মীহুৎ এম এল এশিং লৈবাক মীয়ামগীদমক্তা ফন চোংথোক্তুনা সেন্টরগী লুচিংবশিংগা থেংনবা ঙম্বা, করিগীদমক্তা লৈঙাক শেম্বগী মশীং হেন্দোক্না লৈরিবা পার্টিদা লৈঙাক শেমহন্দবনো হায়না য়েৎনবা ঙম্বা লুচিংবা য়াওদে। মথোঙ খংদনা কাংলম চেনবা কয়ামদি মীয়াম্না উরি।

লোইশিল্লকপদা ইরমদমসিদা মীৎয়েং শান্না উবা ঙম্বা মতিক চাবা লুচিংবা লৈতবদগী মীচম মীয়াম ৱারি। য়ূমদাংবনা কৈনারে, য়োংনা লৌপু তাল্লক্লে। মরকসিদা য়ুনিয়ন লৈঙাক মবুক শেংদে। মণিপুরগী ঈরাংসি নাখৈ শেংনা লোইশিন্নবা হোৎনদে। ইন্দিয়াবু কায়দ্রবদি হায়বগী মতাগুম ঈরাংসি কুম্মৈ য়েংদুনা অদুমক লৈরি। পূম্নমকসিদা মপী মপা লৈজদ্রবা লানগী চৈথেং ফংলবা মীতৈশিং খম থেংনা ৱারি হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# লান হায়বসিগী হৌরকফমদি পোলিটিক্সনি

- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -



মালেম অসি লৈবাক ১৯৫গী অপূনবা তাইবঙ অমনি। লৈবাক ১৯৩না য়ুনাইটেদ নেশন্সনা খঙই। অদুবু ভেটিকান সিটি অমদি ষ্টেট ওফ পেলিষ্টাইনদি ‘ওবজার্ভর’ হায়বদি অতৈ লৈবাকশিংগুম্না য়ু এনগী ৱারেপ লৌবদা ভোটিং রাইট ফংদ্রিবা লৈবাকনি। অদুগীসু মথক্তা য়ু এননা লৈবাক অমা ওইনা কোনশিন্দ্রিবা হায়বদি অচৌবা লৈবাক অমগী মরুমদা হিংবা লৈবাক কয়া অমসু লৈরি। অফ্রিকা মহাদেশতা লৈবাক ৫৪ লৈদুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা মহাদেশ ওইরি। এসিয়া মহাদেশনা লৈবাক ৪৮, লেটিন অমেরিকা অমদি কারিবিয়ানদনা লৈবাক ৩৩, ওসিনিয়াদনা লৈবাক ১৪ অদুগা নোর্দন অমেরিকাদনা লৈবাক ২ অসুম্না থিজিনবদা থেংনরি। লৈবাক অমা হায়বসি লৈঙাকলোনগী সিষ্টম অমদি শোয়দনা লৈগনি। ওটোক্রেসি অমদি দেমোক্রেসি হায়বসি সিষ্টম অদুনি। মীওইবনা ৱাখল মপূং ফাদ্রিঙৈ, লাইরিক তম্বা করিনো খঙদ্রিঙৈ মতমদা ওটোক্রেসিগী লৈঙাক অসি চৎনরম্মী। মসিবু নিংথৌগী লৈঙাক হায়রগা খঙনখি। মতমদুদদি ৱাখল নৎত্রগা মপাঙ্গল কনবা মীওই অমনা মথন্তগী ৱারেপ্না লৈঙাক্লোন ওইরম্মী।

ওটোক্রেসি হায়বসি অমখক্না মীয়াম্বু নুংঙাইহন্দবা সিষ্টম ওইবনা মীয়ামগী ওইবা অপাম পামদগী ৱাখল্লোন ফোঙদোকচবা ঙম্বা মশা-মশানা ফরে খন্না খনবা মীহুৎশিংনা লৈবাক ঙাকপগী সিষ্টম অসি হৌদোকই। মসিবু দেমোক্রেসি হায়রগা খঙনরি। মীয়ামগী ওইবা মীহুৎনা লৈঙাক্কী সিষ্টম পায়হনবনা নিংথৌ লৈঙাক্তগী হীরম খুদিংদা ফবা হেনগনি হায়বসি বি সী ৫০০ অদুৱাইদা গ্রিকশিংনা খনখিবা ৱাখলনি। মওং মরীল তাবা অইবদি থম্বা ঙমদ্রবসু ৱাখল্লোনদি গ্রিকশিংনা ইহান হাল্লি হায়বা তাবনি। য়ুনাইটেদ কিংদমদা ১৬৮৮দা দেমোক্রেসি লিংলে। য়ু এস এ হায়বা লৈবাক অসি ১৭৭৬তা নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইনা মালেমদা লাউথোকই। ১৭৮৭তা অমেরিকাগী কন্সটিট্যুশন শেম্লে। ফ্রান্সতসু ১৭৮৯দা দেমোক্রেসি লৈঙাক অসি চৎনরকই। ইন্দিয়াদসু ১৯৫০গী জন্যুৱারী ২৬তগী দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইরে। ইন্দিয়া অসি নিংথৌ পানবা লৈবাক ৫৬৫ রোমগী অপূনবা শক্তমনি। ফেদরেল ওইহনবদা দেমোক্রেসি অসি তঙাইফদবা সিষ্টম ওইখি।

দেমোক্রেসিদা তঙাইফদ্রিবসি পোলিটিক্সনি। দেমোক্রেসি হায়বসি সিষ্টম অদুনি। সিষ্টম অদুবু চলাইরিবদুনা পোলিটিক্সনি। পোলিটিক্স হায়বা টর্ম অসিদি চৎনরিবা লৈবাক অদুগী মীওই খুদিংমক শরুক য়াগনি। পোলিটিক্স হায়বসিদা মীগী মথেল অনীখক থোরকই। সোসিএল ৱার্কর নৎত্রগা মোরেল ৱার্কর। মদুবু অফবা ফত্তবা খন্দোক খঞ্জিন তৌবা ঙম্বা ভোটর মীয়াম। মতমসিদা টর্ম অহুমখক চিনফা ওইনা মীপূম তিংনা হায়নৈ। মীয়াম, মীহুৎ অমদি মীখল। দেমোক্রেসি কৌবা লৈঙাক্কী সিষ্টম অসি ফজহনগে হায়রবদি ফজবা, কাঙলোন চুম্বা পোলিটিক্স অদুখক্তনা ঙম্মী। মীহুৎ হায়বসিনা মীয়ামদুগী পাউখোল্লোইনি খনবসি য়াম্না তঙাইফদবা অমনি। মতাংসিদা নীংশিংনীংবা ৱাফম অমা হায়রগদি ১৮৯৮গী মে ৩দা ক্বিবতা পোকখিবা ইজরেলগী অমখক্তা ঙাইরিবী নুপী প্রাইম মিনিষ্টর ‘গোল্ডি মেয়র’ না প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৱা ঙাঙবগী ইহান হানবা ৱারোলদা হায়খিবদুনি। “ঐনা ঙসি ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবসি ভোট পীবীদুনা প্রাইম মিনিষ্টর অমা খনবা ঙল্লিবা নখোয়ননি। প্রাইম মিনিষ্টর ঐঙোন্দগী অমুক লৌথোকপসু ঙল্লিবা ভোটর মীয়ামগী তৌবা ঙম্ববু মতম পূম্নমক্তা ইকায় খুম্নজে। মীয়ামগী মখাদা ঐনা পাউখোল্লোই ওইরিবনি হায়বসি কাউথোকপা মীকুপ্তা লৈখা তাবা ওইগনি।”

ইন্দিয়া হায়বসি ঙসিগী মালেমদা খ্বাইদগী চাউবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্লি হায়না শীংথানরি। মীওই ক্রোর ১৪০ হেল্লক্লবা লৈবাক্লি। মরম অসিনা মীখলদা ঙসিদি অমেরিকানা ১৯৬০দা ৱাখল পোক্তুনা ১৯৮০দগী শীজিন্নখিবা ইলেক্তোরেল ভোটিং মেছিন (ঈ ভি এম) অসি ১৯৮২দা কেরলাগী এসেমব্লি মীখলদা ইহান হানবা শীজিন্নবা হৌই। ১৯৯০গী তুংদা চত্থরকপা ইন্দিয়াগী মীখলশিংদদি ঈ ভি এম শীজিন্নদুনা মীয়াম্না মশাগী মীহুৎ খনবা হৌরে। ঙসিদি অমেরিকানা ঈ ভি এমগী অশোয়বা মেন্দেদ লৈ হায়বসি খন্থরকপদগী টেক্নোলোজি কয়া হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে। অদুবু ইন্দিয়াদদি ঈ ভি এমগী খূথাংদা চত্থবা মীখল অসিনা লৈঙাক পায়বা খূৎপুদা মপাঙ্গল হাপ্পা ওইনা থোক্লি। মসি রোবোটনা মচা পোকপগা মান্নবা মতৌ অমনি। ঈগী মরী কংখিবগুম অশেংবা পামজবা মীহুৎ খনবা ঙল্লক্তবগী মরম ওইহল্লব্রা হায়বা ৱাহংসিগী পাউখুমদি পীবা ঙম্নদ্রি।

পোলিটিক্স হায়বসি মীখলদা মায় পাক্লবা মীহুৎশিংনা খুন্নাইগী য়াইফগদবা থবক থৌরমশিং শেমগৎপা অমদি চলাইবা অদুনি। পোলিটিক্স হায়বসি ইমুংদগী লৈকায়, লৈকায়দগী চাওখৎলক্লগা ষ্টেট অমদি নেশনল হায়বসিফাওবা মরেপ ৱাংখৎলকই। নেশনল পোলিটিক্স অসিনা লৈবাক অদুগী সিক্যুরিটি অমদি ইকনমিক পৱার পূম্নমক পায়গনি। লো ঙাকপা হায়বসিনা ফেদরেল ষ্টেটশিং অদুগী মথৌনি। লৈবাক্কী সিষ্টম শেল্লিবসি লেজিসলেচর, জুদিসিয়ারি অমদি এগজিক্যুটিভ হায়রিবা মখোঙ অহুম অসিনা শেম্মী। অদুবু জর্নেলিজম হায়বসিসু দেমোক্রেসিগী মরিশুবা মখোঙনি হায়না তঙাইফদবা অমা ওইরি। লেজিসলেচরগী ৱারেপ্পু জুদিসিয়ারিনা শম্বল ওইদুনা এগজিক্যুটিভশিংনা মীয়ামদা য়ৌহন্নবা জর্নেলিষ্টশিংনা মমুৎ তানা খঙহল্লি। হায়রিবা সিষ্টম অসি মথক মখা ওল্লবদি লৈবাক অদো লো এন্দ ওর্দর লৈত্রবা সিষ্টম পুমচাই চাইরবা ওইনা লৌগনি।

পোলিটিক্স হায়বসি য়াম্না মহু চাউবা খোঙচৎ অমনি। দেমোক্রেসি লৈঙাক্তা পোলিটিক্সকী শক্লোন য়াম্মী। লৈবাক ঙাকপদা মীংচৎ পাম্নরক্লবদি জিও-পোলিটিক্স কৌবা অকিবা শক্লোন অমা হেক হেক লৌরকই। শক্লোন অসিনা শক্তি চাউবা মীগী লৈবাক্কী মপাঙ্গল হন্থহন্নবা লাই খূৎশাংবী ওইরকই। মতম অমদা মপাঙ্গল কল্লম্বা য়ু এস এস আর লাই খূৎশাংবীনা মচেৎ কয়া থোক্না থুগাইখি। মীগী লৈবাক থুগায়বা ঙম্বদু মীংচৎ ফংবা লৈবাক্লি। মসিনা মাবু অতোপ্পা লৈবাকশিংনা অকিবা পোকহনবদা চাউনা কান্নহল্লি। খৎনরিবা পূম্নমকসি লমগী ৱাহৌ ঙাক্তনি। ইনাক খুনবা লৈবাকশিংনা মায়কৈ মায়কৈদা তোংশিন্দুনা লানগী খূৎশু-খূৎলায় য়োনশিল্লি। ইনাকখুনবা লৈবাক্না খূৎলায় শাবগী শেলসু ফংই। মিংচৎসু ফংই। লান তৌনরিবা লৈবাক অনীদুনা থৱায় কয়াসু মাঙই। লায়রবা লৈবাকসু ওইহৌই। ২১শুবা চহী চাদগীদি অনৌবা সোভরেন্ট কন্ত্রি অমগী মঙ ওইথোক্লরোই হায়বা য়ু এনগী পাউজেল লান পাল্লিবা মীয়াম্না ইকাউ কাউনবগুম উরি।

য়ূম্লোন্নবা কয়া ইরম নলাগী হেন্দোক হেঞ্জিনগী খৎন-চৈনবা থোকপসিগা মালেমগী মচি-মচিদা লমগী লান থোক্লিবসিগা পীকপা চাউবা খেন্নরবসু থৌওংদি মান্নৈ। ইরম নলাগী নৎত্রগা লম্বী থোংগী খন্থনহৌদনা অৱাংবা বিল্ডিং শাগৎনরে। য়ূম্লোন্নবা মশেল থাজনরক্তদনা ফেন্সিং ৱাংনা ৱাংনা খাগৎনরে। লৈকায় এঞ্জাং লান্নরগা হিংমিন্নরম্বদগী নুংশিনবা, থৌদোক ৱাথোক্তা চংমিন্নদুনা ময়ূম ময়ূমদগী অরৈ অরৈবা পুরক্তুনা পাংনরম্বা পূম্নমক হূইনা হেন্না থাজবা মরুপ ওইনা শম্বল খাজিন্নখি। ঈশিং চেনফম থমদবনা নোং খজিক্তং তারকপদা ঈচাও ওল্লে। মসিগীদমক অহেনবা লম পাল্লকই। মসিনা খৎনবা হায়বদু ওইরকই। মসিগা চপ মান্নৈ হৌজিক্কী রসিয়া-য়ুক্রেনগী লান। থাইলেন্দ-কম্বোদিয়াগী লান। ইজরেল হমাসকী লান। অসিগুম্বা লানসিদগী পুমওন ওন্নবা লান অমা হায়রগদি মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা লান অসিনি। লমগীদমক থোকপা লাননি হায়বসিখক্তং মান্নরবসু মণিপুরগী লানদি ছত্রং শান্নবা শান্নরোয়দুনা থাংনীং থানীংবা ‘পো’ দা থাংলিবা ছত্রংগী খোঙবী-খোঙনাও ওইরবা মণিপুরীশিংনি। মসিদি দেমোক্রেসিদগী ওটোক্রেসিনা ফৈ হায়নীংহনবা পোলিটিক্সনি। ●

# হায়রে ৱাতাথি হায়দরে ৱামাঙবা

- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

হায়নবা লৈ, ৱাটরলুগী লানফমদা নেপোলিয়ন বোনাপার্ট মতৌ করম্না লান মায়থীখি হায়বদু লান অদুবু হকথেংননা য়াওরুবা সিফাইতনা খঙগনি। লান অদুদা য়াওরুদবা মীনা লীবা, তম্বা খুদিংমক্তগীদি লানফমদুদা লান্মী ওইরবিশিংনা ময়েক হেন্না শেংনা খঙবা হেল্লি। অৱাবা-নুংঙাইতবা-খুদোংথীবা কয়া অমা মায়োক্লরিবনি। মসিনি ঙসিগী মণিপুরীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা পূম্নমক। লম্বীগী ওইরো, মহৈ মশিং তম্বগী ওইরো, অনা লায়েংগী ওইরো, মৈ ঈশিংগী, ঈথৈ লৌখোংগী খুদিংমক লায়রবা শেম্হোক লম্বী লৈত্রবা ইমুং কয়াগী অৱাবা ৱারী লীরিবা মীওইদুগা হকথেংনরবশিংনা ফংবা চৈথেংগী চৈফুদি কৈদৌঙৈদসু মান্নফম থোক্তে। মসিননি মচা শিবা মশেল তেংথামিন্নবা, মপুরোইবা কায়নবা নুপী মশেলগী অৱাবা কয়া ফোঙদোকমিন্নবা, অৱা মৈশা লাংলবা মশেল চৈবী চৈথেং ফংলবা মশেল, অমনা অমগী অৱাবা নুংঙাইতবা পূম্নমক্কী মায়োক্লরিবা শরুক য়ামিন্নৈ। ঙসি মণিপুরগী মীয়াম ৱাবা য়াবা ৱারবনি, থেংনবা য়াবা থেংনরবনি। দেমোক্রেসি চৎপা ইন্দিয়াগী মীয়াম্না খনবা মীহুৎনা চমজরবা মরাল করিসু লৈত্রবা মীয়ামগী লন-থুম, পূন্সি কনবা ঙমদ্রবদা করিনো ঐখোয়না তৌগদৌবা। সিটিজন অমনা মাগী ফংফম থোকপা হক খুদিংমক ফংলক্ত্রবা, ঙাকপী শেনবীনবা মীয়ামগী মীহুৎনা লীংবা লৈঙাক্না ঙাকপী শেনবীরক্ত্রবা, কদাইদা কনাদা করি হায়রুগনি। চৎনরিবা লম্বীগী ফীভম ঙসি ঙসিমক করি ওইরি, ষ্টেট হায়ৱে কয়া, আই ভি আর কয়া, মসিদা নত্তনা সহর অমদি খুঙ্গংগী লৈরক কোন্সাং কয়াগী ফীভম করি ওইরি, নোংমগী চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীয়ামদি লম্বী নুংঙাইতবা অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবনি।

ইম্ফাল-ময়াং ইম্ফাল লম্বী অসিদা লৈরিবা, ওইরিবা হৈরাঙ্গোইথোংদগীনা সেকমাইজিন থোং ফাওবগী লম্বীগী সাইজ, চেল্লিবা গাড়ীগী মশীং চান্নরিবরা হায়বগী কালক্যুলেট তৌদুনা লম্বীগী পাক চাউবা শেমগৎ শাগৎপা কয়া হন্না য়েংদনা চহী ৫/১০ অসি ঈশিংদা লৈতুম থাদবগী মওংদা লৈরি ঐখোয়গী মীয়াম্না খনবা মীহুৎনা লীংবা লৈঙাক অসিনা। লৈরিবা, ওইরিবা লম্বী হৈরাঙ্গোইথোংদগীনা সেকমাইজিন থোং ফাওবদা লৈরিবা পোটহোল কয়ানা লম্বী চৎলিবা চাকা অনী পানবা গাড়ী কয়ানা থেংনরিবা, মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবা অসিনা তুশিনবা শিৎপা মশীং নাইদনা থেংনরি। নাওরিয়া পাখংলাকপা কেন্দ্রগী শরুক নিংথেমচা কারোংদগীনা হিয়াংথাং থোং ফাওবগী পোটহোল, ৱাঙ্গোই এ সীগী শরুক ওইরিবা হিয়াংথাং থোং হেক লানথোকপা মখা পাংনা চৎখ্রিবা ময়াং ইম্ফাল রোদ অসিগী য়ূম্নাম হুইদ্রোম মখা লৈকায় পাওবিতেক হায়জিনফম ফাওবগী লম্বীগী ফীভম করিসু পেন্নীংঙাই ওইবা লম্বী নত্তে। কলভর্ট অমা হেক লানবা মতমদা থেংনরিবা অকাই অতোই অমদি অকুৎ অতোং কয়ানা কলভর্ট খুদিংগী লম্বীসিদা থেংনদুনা লৈরবনি। কলভর্ট অমা লাম্হোক লানশিনগী হৌবা লোইবদা লোইরোই লোইরোই থৌগৎপা, থৌথবা মতমদা নুংঙাইনবা শেম্বা শাবা হৈতবা ইঞ্জিনিয়র, ঠিকাদার কয়াগী শেন্দোং অমদি পার্সেন্টেজদা ঙাওজরিবা মখোয়না তৌরিবা মখৈ য়াবা লৈঙাক ওইখিবনা ঐখোয়না অসি য়ৌনা খুদোংচাদবা কয়া অসি মায়োক্লবরনি। পাওবীতেক হাইজিনফমদগীনা সেকমাইজিন থোং ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা পোটহোল কয়া কলভর্টকী নাক য়েৎকী কাবা-কুম্বদা টেক্নিকেল ওইদবা, নীংথিজনা স্লোপ ওইহন্দবা কয়ানা থেংনরিবা লম্বী চৎলিবা মীয়াম্না থেংনরিবসিমক পূম্নমক্কী লাইবক থীবনি।

লম্বী অসিদা মরু ওইনা নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সী, ৱাঙ্গোই এ সী, ময়াং ইম্ফাল এ সী অমদি লম্বী অশন্বী থিরকপদা ৱাবগাই এ সীগী মীওইশিং ইরোং, মাইবম কোঞ্জিল, হৈবোংমখোঙ, শন্থেলগী মীওইশিং অমদি হিয়াংলম এ সীগী, শুগুনুগী মীওই কয়া গাড়ী মচা অমদি অচৌবা কয়াসু লম্বী অসিদা চৎনরিবনি। লম্বীঅসিদা পুং ১২গী মনুং অয়ূক পুং ৬তগীনা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬/৭ ফাওবদা গাড়ী লিশীং অহুমগী মথক্তা চৎনরিবনি। হিয়াংলম ৱাবগাই কৈথেলদগী লাকপা বস কয়া, স্কুটর কয়া, চাকা মরি পানবা গাড়ী কয়ানা লেপ্তুনা চৎনবদা লম্বী অসিদা গাড়ী অচৌবা-মচা অমদি হেভি ৱেট মাল পুবা গাড়ী কয়ানা নোংঙানবদগী নুমিদাংগী পুং ৯/১০ ফাওবদা চৎলিবা গাড়ী লিশীং অহুমগী মথক্তা চেন্নরিবা লম্বী অমনি। লম্বী অসিদা লল্লোন ইতিক তৌবা মীওই কয়া, মনা-মশিং, ঙা-চাক, মতম মতমগী লৌ-ইঙ্খোলগী পোথোক, ঙায়োক কোম তৌদুনা ঙাগী পোথোক পুথোক্লিবা কয়াগী লল্লোন ইতিক্কী য়াম্না মরু লইরিবা লম্বী অমনি। লম্বী অসিবু ফোর লেন নৎত্রগা সিক্স লেন ওইবগী মতমগী মীশিং হেনঘৎলকপা অমদি গাড়ী অচৌবা-মচা পূম্নমক্কী য়েংলগা নেশনল থাক্কী লম্বী ওইহনফমসু থোকই।

মরক মরক্তা শেম-শাবা, পোৎহোল মেনবা, রিপ্যারিং তৌবা অসিসু ক্বালিটি লৈনা তৌবা নত্তবনা থা অনী/অহুমগী মনুংদা হান্নগী ফীভমদা হামু-হামু তাদুনা নিংথেমচা কারোংদগীনা সেকমাইজিন থোং ফাওবগী মনুংদা লম্বী চৎলিবা মীয়াম্না থেংনরিবা অদুগা হৈরাঙ্গোই থোংদগী কৈশাম্পাৎ থোং ফাওবগী পোটহোল কয়াসিবু য়েংশিনবীনবা মরী লৈনবা লোয়শঙনা মতম অসুক শাংনা মীয়াম্না লম্বী চৎপদা নুংঙাইহন্দবা অসিবু করম্বা মখলগী লৈঙাক্নো। দেমোক্রেসিগী ৱাহম্হোক লৈতবা মীখলগী মীরেপ অদুদা মীয়াম্না মাবু লৈবাক অসিগী লন-থুম অমদি পূন্সি ঙাকশেন্দুনা ষ্টেট অসিগী নুংঙাইনা লৈনবা অকি-তুজুংবা য়াওদনা সিটিজন অমা ওইবগী চপ চাবা হক অদু ফংনবা লম্বীদি মীয়াম্না মীখলদা অপাম্বা মীরেপ খন্দুনা লৈবাক ঙাকহল্লগা মদুগী মহাও অদু মীয়াম্না ফংলবা মতম অদুদা দেমোক্রেসিগী শেংলবা ৱাহম্হোক লৈগদৌরিবনি।

ঐখোয় ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা চনখিবা মতম অদুদা পূন্সি, লন-থুম ঙাকপী শেনবীবা, চাওখৎ থৌরাং, লম্বী থোং, মৈ-ঈশিং, ঈথৈ লৌখোং, লৌউ-শিংউবা, মহৈ-মশিং, অনা লায়েং খুদিংমক অসি মখোয়না য়েংশিনবা অদুগী থবক থৌওং অদুনা মপূং ফানা চত্থবীদনা মনীং হনবা তারবদি মদুগী মাঙজবদুনি ঙসি মীতৈ ফূরুপ্পা মায়োক্লরিবনি। মীয়াম্না মীখল মতমদা কনাবু ঐখোয়গী চহী ৫গী হক অসি শিন্নরগা ঐখোয়বু ঙাকপী শেনবীবা, লন-থুম, পূন্সি, চাওখৎ থৌরাং খুদিংমক থবক ওইনা ওন্থোকপা ঙম্বা মীওই থাগৎপা তঙাইফদে। ঙসি ঙসিমক লম্বী থোং নোং খরা চুবগা লম্বী ঈশিং থুম্বা, পোটহোলতনা ৱাই চাইরবা লম্বী, নোংমগী শীজিন্নদবা য়াদ্রবা পোৎ চৈ মমলনা অতিয়া পক্না ৱাংলিবা পূম্নমক অসি লৈঙাক্কনি হায়না থোরকপা লৈঙাকপগী মতিক মগুণ চেন্দবা ঠিকাদার কয়া, শেঞ্জা-থুমজাদা হালেংদ্রবা, ব্যুরোক্রেসি কয়া য়াওখিবগী মহয়নি। মসি পূম্নমক্কী মথক্তা দেল্লীদা মণিপুর মীয়ামগীদমক্তনি খন্দুনা ৱা ঙাঙবা ঙমদবা জি-জি হায়দুনা মরৈ খৎপা থোক্তবা শ্বাইগী শগোল মমাঙ পুঞ্জাও পুবী নুংশিৎ মৈরম লশিং কাপ্পী গুম্বা কয়ানা ঐগী মণিপুরনা থেংনরিবা, মায়োক্লরিবা পূম্নমক্কী পাউদম্বগা লোয়ননা থবক ওইনা ওন্থোকপা ঙম্বা লৈঙাক্লোই মথৌ তারবনি। হায়দবা য়াদদনা হায়রবনি, হায়রে ৱাতাথি তাহনবীনু ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১১৮কী ৱাহং

১) “সুজাতাগী মঙনি। চহী কুন্সগনিথোই মমাঙদা ওইখিবা অয়ূক অমদা অমুক হল্লকই।” ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহানবা পরেংনি। লাইরিক অসিগী মমিং অমদি ট্রান্সলেটরগী মমিং করি কৌবগে?

২) ‘অমম-অঙান’ হায়বসি দ্রামাগী খোমজিনবা লাইরিক অমদা য়াওবা দ্রামা অমগী মমিংনি। য়াওরিবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং অমদি লাইরিক্কী মমিং ইয়ু।

৩) “ঈঙাং তৈরবা চেবাংগী করম্বা লামায়দা
করম্না ইসিগে চোকথরবা খূৎসিনা
হামুক তৈবা নঙগী ঙসিগী পুৱারীসে।”
শৈরেং মতেক অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

৪) “ঈগী খোঙ্গুল লীবা” হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

৫) “মাই মেনকা হায়বীদো” হায়না মিংথোনবা ৱারীমচা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।